# লাইবক থীবনি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তম মাঙহনবা য়াদে হায়দুনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া পূনশিন্দুনা শেমখিবা কোকোমি (কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি) না ইরমদমগী মীচম মীয়ামগা অমত্তা ওইনা থা অমা/অনীসিদা কন্না চংশিন্দুনা লাকখিবা ৱাকৎ, চেকশিন খোঙচৎ অসি খঙহৌদনা খংকায় কায়থবা য়াবগী থৌদোক অমখক চৎলিবা থা অসিগী ২৩দা থোকখিবদু য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না খল্লি। এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শানরিবা পিছ টোক্কী ৱারোইশিনগী মতাংদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি শক্তম মাঙহনবা য়ারোই হায়দুনা মীয়াম পূম্না শৌগৎতুনা থা অমা/অনী লাক্লবা মতুংদা পুমকায় কায়বগী ফীভম অমা হন্দক লাকখিবদুনা মরম ওইদুনা কোকোমিনা চথরিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্না থাজদবগী ৱাফম লাকপসি য়াম্না নুংঙাইতে। মসি হৌজিক ওইরিবা খোঙজং অসিখক্কী ৱাফম নত্তে তৌইগুম্বসুং তুংদা লাক্কদবা ইরমদমসিগী ওইবা খোঙজং কয়াগী ৱাফমসুনি।

মমাঙগী খোঙজং কয়াদসু খোঙজংগী লুচিংবা ওইরিবা সী এস ও খরগী লুচিংবা খরনা মনুংদা তুমিন্না শেল লৌদুনা নৎত্রগা মশা মশাগী কান্নবা ফংগদবা য়েংদুনা লৈঙাক্কা য়াশিন্নদুনা খোঙজংদগী নাথৈদুনা থম্মোয় শেংনা মতুং ইন্দুনা চৎচরিবা মীয়াম্বু অপংবা শিদুনা তোকখি হায়বা ৱাফম মীয়াম্না ঙাঙনবা লৈরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি কনাগুম্বা লুচিংবা খরনা ওইহল্লকপা অসিনা তুংদা মীয়াম্না থাজবা লৈরক্তবদগী সী এস ওশিংগী খোঙজং অমত্তা মায় পাক্তবা য়াবগী ফীভম লৈ হায়বসি সী এস ওশিংগী লুচিংবশিংনা য়াম্না লূম্না লৌফম থোকই। অসুক চাওখৎলবা মতমসিদা হায়বদি মীকুপ্তা পাউ অসুক থুনা ফাওনবা য়ারবা মতমসিদা মীয়াম্না খঙলরোই, উররোই হায়না মখোয় লুচিংবা খরনা তৌনীংবতা তৌবদি অফবা ওইরোই, লৈবাক্কীসু অদুগা মখোয় মশা মশাগীসু। কনানা তম্বা ঙমগনি খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লক্তুনা মখোয়গী পুন্সি অৱাবা তাবসু। মখোয় মীচমদি লায়রদনা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং পীদুনা ঙাক শেল্লিবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং ফাওবা মখোয়গী পুন্সি করি ওইগনি খন্দুনা মীপাইনরিবা ফীভমসিদা। করিগুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি মীয়ামগা চংমিন্নহৌদবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী পুন্সিদা করি ওইগনি হায়বা ঙমদ্রিবনি। মসিমক

করিগীদমক, করম্না অদুগুম্বা ওফিসল ওইদবা পাউ অমবু মিদিয়াদা থোরক্লিনো হায়বদুমদি ঐখোয়সু খঙদ্রি। অদুবু কোকোমিগী মায়কৈদগী অপূনবা ওইনা নিংথিনা শেংদোরকপসু লৈত্রি খল্লি। অদুগা সোসল মিদিয়াদা থেংনরকখিবদা কোকোমিগী লুচিংবা সুনিল করাম্না খূৎয়েক পীবা চেবাং অদুদি সঙাই ফেষ্টিবেল বোয়কোট তৌবা হন্দাক্লে হায়না লেপ্লরে হায়না থেংনখি অতৈ ৱারেপ খরগা। অশেংবরা শেংদবরা হায়বসু শেংদোকপা থেংনখিদে লেট্টরদুগী মতাংদদি। অদুদা হংজনীংলিবদি কোকোমিগী ওফিসল লেট্টর হেদতা মীওই অনী/অহুমনা খূৎয়েক পীবসু নত্তবা অদুগুম্বা চেবাং অমদা ৱারেপ খরা লৌরে হায়না ইরগা মদুনা হেক্তা অরোইবনি, অচুম্বনি হায়না লৌবসু লানগদ্রা খল্লি। মরমদি ৱারেপ অমা লৌবা হায়বসি লুচিংবা অমখক্না হেক্তা লৌরগা চে মচেৎ অমদা হেক্তা ইরগা য়াবা পোৎ নত্তে। খুদিংমক অদু ওফিসল ওইনা কোকোমিগী ওইবা ওফিসল লেট্টর হেদতা ইবা ৱারম ওইগদবনি অমদি মীওই অনী/অহুম্না খূৎয়েক পীগদবনি। ওফিসল ওইদবা চেবাং অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাউচেদা ইথোরকপা অমদি সোসল মিদিয়াদা পুথোরকপসু লাল্লি হায়না লৌজে।

মতাংসিদা থমজনীংলিবদি অসিগুম্বা চমম্নবা থোক্লবা শিনবা মীওই কয়া অমসু লৈ হায়বসি কোকোমিগী লুচিংবশিংনা নীংশিংবীবা ফৈ। কোমোমিদা মীয়াম্না থাজবা থল্লক্তবা হায়বসি কনাগী কান্নবনো হায়বসি কোকোমিগী থৌবুরেলশিংনা খঙনা চেকশিন্না খোঙথাং থাংহন্নীংই। অসিগুম্বা চমম্নবা থোরকপদা হরাওজগদৌরিবসি সেন্টর লৈঙাক্তা নত্তে ইরমদমগী লৈঙাকসু হরাওজগদৌরিবনি। মরমদি কোকোমিদা মীয়াম্না শৌগৎপা তোক্লবদি মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিবেলদা মায় ওনশিল্লকপা য়ানা লৈরি। অদু ওইরদি কোকোমিনা থা অমা/অনীসিদা পুখৎলক্লিবা ঈহৌসি মায়থীরে অমদি লৈঙাক্না মায় পাক্লে হায়না লৌগদৌরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি পুরক্লবা লৈঙাক্না অরোনবা মীওই কয়া অমা থাদোক্লক্লোই হায়না খনবসু লানগনি। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় মীচম মীয়াম্না লৈঙাক্না তৌথোরকপা খোঙথাং খুদিংমক্কী মায়োক্তা লেপসি হায়বদি নৎচদে। তৌবতবু হৌজিক হৌজিক লৈরিবা নাগা পিছ টোক্কী










জুন অপরাইজিংগী মতাংদা থোকখিবা ময়াম্না নীংশিংনরিবনি। খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লক্লবদা করম্বা সিক্যুরিটিনা কনবা ঙমগদৌরিবনো। সী এস ওগী থৌবুরেলশিংদি সিক্যুরিটি লৈবসু নতে। কুমজা ২০০১দা প্রসিদেন্ট রুল লৈনা লৈননি জুন অপরাইজিংদা ওফিস অমদি বিল্ডিং কয়া মৈ চাকখিবা। মসি অমুক হন্না থোক্লোই হায়বা ঙমদে। হন্দক্কী মতাংসিদদি মদুদগী হেন্না চাউবা ঈরাং থোকপা য়ারিবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হৈশিংনা খোঙথাং থাংদ্রবদি।

হন্দক্কী নবেম্বর ২৩গী সঙাই ফেষ্টিবেল বোয়কোট তৌরে, তৌদে হায়বগী চমম্নবা ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা কোকোমিদা থাজবা থল্লম্বা মীওই কয়া অমদি থাজবা মাঙনখ্রে। মীওইশিংতা নত্তে ক্লব খরসু কোকোমিনা চংশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াররোই হায়বগী পাউ থেংনজরে পাউচেশিংদা। হৌজিক ওইরিবা লুরবা ফীভম অসিগী খল্লুরদি য়াম্না লাইবক থীবনি অসিগুম্বা মীয়াম্না থাজদবগী ৱাফম লাকপসি। মখা তানা অতৈ ক্লব কয়া অমসু কোকোমিগী খোঙজংদা শরুক য়াররোই অমদি শৌগৎলরোই হায়না থোরক্লবদি হেন্না লাইবক থীনীংঙাইনি। মদুমক্তি থোক্তবা ওইরসনু।

থাঙ্গৈশেংবা অরেপ্পা ৱারোল খঙদ্রিবা তানফম অসিনা ইরমদমগী শক্তমদা, ঙমখৈদা অকায়বা য়াওরকপসু য়াই হায়না চিংনবা, মীপাইবা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাকপু, ষ্টেট লৈঙাকপু থাজদবদগী সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপসি হন্দক্তি লেপসি, ঈরাং কুম্মৈদা মায় ওনশিনগুমসি লৈবাক কন্নবা হান্না হোৎনসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা, পান্দমদা তৌবনিনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবনি।

তৌবগীদি লৈঙাক্লসু মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লি করিগীদমক মখোয়না পাঙথোক্লিবনো হায়বদো। অদুবু মখোয়গী ৱারেপ হন্দাকপদা থোইদোক্না লুবা ৱাফমদি নত্তে খল্লি। ফোরেন দেলিগেটশিং লাকপীয়ু হায়না হায়খি হায়বগী লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ৱাথোক অমা লৈরবদি থৌরম কয়া য়ৈথোক্লরিবনি হায়বসু ফোরেন দেলিগেটশিং অদুনা অদুম খঙলিবনি। মদুদা মখোয় লাক্তবা য়াদে হায়দুনা থোইদোকপা অকনবা ৱাহৈশিং হায়রক্কদবসু লৈতে। অদুগা লাক্লিবা ময়ামদুসু ইন্দিয়াদা থন্বা মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্তুগী এম্বেসি ওফিসশিংদা লৈবনা অয়াম্বনি অদুনা মখোয়গী খোঙচৎ লেপ্পদা করিসু থোইদোকপা অকায়বা লৈরোই খল্লি।

ঙক্লিবদি মীয়াম লাক্লোই খঙনা খঙনা ষ্টোল ময়াম অমা শাজিন্দুনা দেলিগেটশিং পুশিনবা অমদি সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপা অসিনি। মসিদনি ঐহাক্না হেক হেক চিংনবা ফাওরক্লিবসে। লৈঙাক্না সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মীংদা শেল ময়াম অমা কায়থোক্তুনা শেল চাবা ফংলরোই হায়না পাঙথোকপসু মাল্লি হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলসে। নুংবু নুংঙাইতে উবদা ষ্টোল ময়াম অমা ইহাঙ হাঙনা লৈবদো। মসি লৈঙাক্না লৈবাক্কী শেল হুন্দোকপনি হায়না লৌবদা লানবা থোক্লগদ্রা। ষ্টোলশিং শাবদুদি ষ্টোল ফমগদৌরিবা মীওইশিং অদুদগী শেল লৌবনিনা ফবু ফরি, হায়বদি লৈঙাক্না শেল তাল্লিবনি। অদুবু ফোরেন দেলিগেটশিং, ভি আই পিশিং লাকপগী ফ্লাইট টিকেটশিং, লৈফম, চাফম, চৎথোক-চৎশিনগী পুথোক্লিবা শেলদুনি মরু ওইরিবদি। য়ামখ্রবা শেলফমদো লমদম অসিগী লম্বী থোঙ, পাৎ-তুরেল, চীংয়া-তময়া অমদি টুরিষ্ট মফমশিং শেমগৎ শাগৎলবদি ফেষ্টিবেল তৌদ্রসু টুরিষ্ট ময়াম অমা লাকপা য়ারিবনি। ফেষ্টিবেল হেক্তা পাঙথোক্লগা টুরিষ্ট মফমশিং অমদি লম্বী থোংদি ইকায় কায়না থল্লগা কদাইদগী টুরিষ্ট লাক্কদৌরিবনো। ফেষ্টিবেল তৌরিঙৈদা খরা লাকপদি য়াই অদুবু মতুং তারকপদদি অমত্তা লাকতৌ মান্দে লম্বী থোংদু উবদা।

মসি হায় হায়দুনা ফেষ্টিবেল অমত্তা পাঙথোক্লোইসি হায়জবসু নত্তে তৌবতবু মফম মতম ফীভম হায়বা অমা লৈরি। লম্বী থোং শেমগৎলু হান্না, হোমষ্টেনচিংবা শেমগৎপদা লৈঙাক্না শেলগী মতেং পীবিয়ু হোমষ্টে তৌজনীংবা মীওইশিংদা অমদি লমদমসিগী ওইবা পাৎ তুরেল অমদি টুরিষ্টশিংনা য়ৌবা য়াবা, কোয়বা য়াবা মফম কয়া লৈরিবসি শেমগৎপীয়ু, টুরিষ্টতি মতোমতা অদুম লাকচগনি মফমশিং ফজরবদি, নাল্লবদি। খুদম ওইনা হায়রবদা, লোক্তাক পাৎ। লোক্তাক পাৎ য়েংবা লাকপসিবু ফেষ্টিবেলনরো। হান্নদগী অদুম লাকইনা। টাইৱান্দা মহৌশাগী অমদি খূৎশেমগী ওইবা পাৎ কয়া অমা লৈ, তুরেল কয়া অমা লৈ লোয়ননা চীং ময়াম অমসু লৈ। হায়রিবা মফমশিং অসি টাইৱান লৈঙাক্না নিংথি-নিংথিনা শেমজিন শাজিন্দুনা থম্মী। মফমশিং অসিদা মীরৈবাক্তগী লম কোয়বশিং লাকপদা নত্তনা টাইৱানগী মীয়ামসু চৎনরিবনি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা ঐহাক্কী ইমুংসু য়াওরিবনি। পাৎ তুরেল, খোংবান অমদি চীংনচিংবা মফমশিংদসু মহৌশাবু পামজবা মীওইশিংনা চৎপা খোৎপদা নুংঙাইনবা হায়দুনা চৎপা য়াবা ত্রেক অমদি লম্বীশিং য়াম্না নিংথি-নিংথিনা শেমজিন্দুনা থম্মী। আ চীং মতোলফাওবা কাবা য়াবা ষ্টেপশিং ফাওবা শেমজিন্দুনা হিঙ্কিং, ত্রেকিং তৌবদা য়াম্না খুদোং চাবা পীবি। লোয়ননা পাৎশিং অসিদসু পাৎকী অকোয়বদা লৈশিং থাদুনা নিংথি-নিংথিজবা লাইফ গর্দ জেকেট অমদি ট্যুবশিং য়াওবা হি ময়াম অমসু থম্মী। অদুদগী মনাক নকপদা হোটেল অমদি হোমষ্টে ময়াম অমসু লৈ। মসিনা লমদমদুগী লৈঙাক্না ফোরেন টুরিষ্টশিংদগী শেল তানবদা নত্তনা টুরিষ্ট মফমশিং অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু হোমষ্টে হাংদুনা, রেষ্টুরেন্টনশিং হাংদুনা পোৎচৈ য়োন্দুনা শেল নিংথিজনা তান্দুনা নুংঙাই নুংঙাইনা হিংনরি।

টাইৱান্দা টুরিষ্টশিং অসি পুরক্লবা শেল চাউনা চাউনা থাদদুনা ফেষ্টিবেল পাঙথোকপদি লৈতে। খুঙ্গং খুঙ্গংদা য়েলহৌমীশিংগী জগোয় ঈশৈ পাঙথোক্তুনা টুরিষ্টশিংবু নুংঙাই হরাও তয়াম্বা পীবা নত্তনা ফেষ্টিবেল ওইনা তৌবদি তৌনদে। মসি হায় হায়দুনা ফেষ্টিবেল তৌরোইসি হায়বদি নৎচদে। তৌবতবু হান্না শেমগৎ শাগৎসি হায়জবনি ফেষ্টিবেলশিংদা চাউনা চাউনা শেল হুন্দোকপগী মহুত্তা। ফেষ্টিবেলদা শেল চাউনা চাউনা থাদগনি অদুগা ফেষ্টিবেল হেক লোইখ্রবদি ইকায়-কায়, ইমোৎ-মোৎনা লৈহৌগনি ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা মফমশিংদো। থোইদোক্না কান্নবা পুরক্তে খল্লি। কান্নবা ফংলিবদি শিল্লি-লাংলিবশিং মখোয়না শেল চাহৌবা অদুনি। ইশামক মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌরুরে, কোয়রুরে, উরুরে। অদুবু ঙসি ফাওবদা লমদমদুগী ফেষ্টিবেল অমফাওবা য়াওবা চৎলুদ্রি অদুবু ফজ-ফজবা মফম কয়াদা টুরিষ্ট ময়াম ময়াম লাকপদি লোইনা থেংনরে।

হৌজিক লৈরিবা ইরমদমগী ফীভমসিদা হঞ্জিল্লকপদা, কোকোমিনা চথরকপা খোঙজংদা শৌগৎলি লোয়ননা সঙাই ফেষ্টিবেল বোয়কোট তৌবসু শৌগৎলি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী তুংগী খন্দুনা। অদুবু কোকোমিনা সেন্টর খোংচৎসিনা করম্বা ফীভমদা হল্লকপগে হায়বগী ফীভমদসু লৈরে সঙাই ফেষ্টিবেলগী লাইবকসে হন্দক চহীসিগী ওইনদি। তশেংবগীদি হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলগী ইহাঙ হাঙবা ফীভমসি উবদদি থম্মোয়সিদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই। পূম্নমক অসিগী থৌদাং কনানা লৌগদবনো হায়রবদি ঐহাক্কী ৱাল্লোন্দদি সেন্টর লৈঙাক অমদি ইরমদমগী লৈঙাক অনীনা লৌফম থোকপরা হায়না খঞ্জে। করিগুম্বা ইরমদমগী লৈঙাক্না কোকোমিগা খূৎশম্নবা মীয়ামগা চংমিন্নবা ওইরম্লবদি হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলগী ফীভমসি অসুম্না উরল্লোই খল্লি। লৈঙাক্না মীয়ামগা, কোকোমিগা মাঙজেননা য়ানবা পুরকপগী মহুতা মখোয়না হেক্তা ঙল্লগনি মতাগুম নম্ফুদা পাঙথোকপসি য়াম্ন লাল্লি হায়না খল্লি। মসি অরেম্বদা শেল হুন্দোকপনি। অদুগা নাকল অমরোমদনা পাল্লিবা লৈঙাকসি মীয়ামগা চংমিন্নদে হায়বদো ফোরেন দেলিগেটশিংদা উৎথোকপনি। মসিদা লৈঙাক্কী চাওথোকনীংঙাই করিসু য়াওদে। হন্দক্কী ফীভমসি উরবা মতুংদা কনানা খঙবনো মথংদদি মখোয় মশামক লাক্তবতা নত্তনা লৈবাকশিং অদুগী মীয়ামদসু চৎলুনু হায়না পাউদমখিবসু।

অদুগা সেন্টর লৈঙাক্না করিগীদমক অসুক থেংনা ৱারী শানসি হায়না কৌরক্লিবা। লমদম অসিগী খন্দুনা, সঙাই ফেষ্টিবেলগী খন্দুনা মাঙজৌননা কৌবিরকপা য়াই। অদুদি নত্তনা মসি য়ারোইদৌরিহে হায়দুনা অরোইবা মীকুপ্তা কৌরকপা অসিনসু ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক উশিৎপীদে হায়বদু তাক্লি। সী এস ওশিংদি থম্বু থমখিসি, লমদম অসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মকোক ওইরিবা সী এম, মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এ লোয়ননা ওপোজিসনগী এম এল এ ফাওবনা পি এম উনবা ফংদনা হল্লকখিবনি। মসিনা অদুম ইশেং শেংনা অদুম তাক্লে ইন্দিয়া লৈঙাক্না অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংসি করিসু লৈতনা খল্লি হায়বদো, মরুওইনা ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরসি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না কাউরোইদবদি অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসিগী মনুংদা ঐখোয় নীংখা তম্না, থৌনা ফনা পাল্লম্বা লৈবাক অমনি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না নীংশিংবীগদবনি।

লোইশিল্লকপদা ইরৈচাশিংদা থমজনীংবদি মীওইবা ঐখোয়সি লান্দবা, শোয়দবা ঙমদে অদুনা কোকোমিনা শোয়খিবা, লানখিবা য়াওরবসু ঙাকপীদুনা ইরমদম অসিগী তুংগী খন্দুনা পূন্না চংমিন্নসি হায়না থমজরি। লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎপীয়ু অদুগা কোকোমিগী থৌবুরেলশিংসু ৱাখল মঙা তরা খন্নরগা মীয়ামগা তানদুনা ৱারেপ লৌবীয়ু মতুংদদি। মীয়ামগী শৌগৎপা য়াওদনা সী এস ও অমত্তনা অমদি লৈঙাক্না মায়পাক্না খোঙজং অমত্তা চংশিনবা ঙল্লোই হায়বসি খঙমিন্নসি। ঙাকপীনবা য়াইফরে, পূনশিনবনা য়াইফরে, অপূনবনা য়াইফরে। ●

# ঈরৈপাক নীংবসি ইয়ূমদগী হৌরসি

**- নান্দেবম প্রমোদা -**

ঈরৈপাক ইরমদম্না মৈশা লাংলকপা, অৱা-অনাগী মৈচ্রাং পাইরকপা তশেংনা পূক্লিং অসি লৈতাদে। থৱায় অসি ৱাদবা ঙমদে। মসি মীপূম খুদিংগী হৌনশা ওইরমগনি। ঐখোয়না ফনমক হৈ-শিংদুনসু, ৱাত্ত-পাদবা ওইদুনসু, নুংঙাই-য়াইফদুনসু ইরমদম, ঈরৈপাক হায়বসিমদি য়াওদবা শুকয়ামক য়াররোইদবা অমনি। ঈরৈপাক ইরমদম লৈতবা করি করম্বা মীওই কাঙলূপ্পু লৈরমগদগে? অদুনবু ঈরৈপাক্কীদমক শিবা কিনদ্রিবনি। চেক্তা চেকশিল্লক্লগা ঈরৈপাক্কী, ইফুরুপকী ৱাদবা ঙমদ্রিবনি। ৱাবা তাবনি, লাংবা তাবনি ঈরৈপাক্কীদমক। ঈরৈপাক লৈত্রবা, ঈরৈপাক্না মাঙখ্রবদা পূম্নমক অরেম্বনি। শূরুবগী-নোম্লুবগী, হৈনবগী শিংনবগী, ৱাত্তনবা-পাদনবা হোৎনরুবগী করিবু ৱাহন্থোক লৈরুখিনি? ঈরৈপাক ইরমদম্না মরুনি। পূম্নমক্কী হৌরকফমনি। পূম্নমক্কী তুংনফমনি। চারোল-শুরোল মীরোল খুদিংগী তাইবঙপান্না লৈরিমখৈ মতিং লৈনা লৈজহৌনবা হোৎনবিরম্বা মথৌ তাই।

পিক্লবা ইরমদম মণিপুর পিক্লবসু পিক্লা কাঙলূপ-ফুরুপ মশীং কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবা মশাগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী লৈজবা লমদমনি। কনাগীসু মখাদা মীপাল তাংদনা মতিক-মগুন লৈনা, মনীং তম্না পাল্লকখিবগী পুৱারী ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা মথৌ তাই। পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখিবগী থৌদোক মমুৎ তানা নৈনবা মথৌ তারক্লি। মরমদি ঐখোয় ইশানা ইশাগী মশক হেন্না খঙনবা। লৈঙাকলোনগী পরিং কদায়ফাওবা কয়াম চুম্না মতিং লৈনা চথরকপা নৎত্রগা করম্বা তাঙ্কক্তা করি করম্বা অহোবা লৈরকখিবা য়েংদবা, নৈনদবা য়ারক্ত্রে। মরমদি অপূনবগী মহয়না ঈরৈপাক অসিগী লাইবক লেপ্পক্লি। লৈবাক অমা শেম্বদা লৈঙাকলোয় ঙাক্তদা ইনথোকপনা অফবা ওইরক্ত্রি। অখঙ-অহৈ লৈরি, মরাইনা নৈনজনি, ঐখোয়না খঙবা নত্তে হায়দুনা লৈথোকপা চুম্লক্ত্রে। ইরমদম ঈরৈপাক কনবা, ঙাক শেনবা, চাওখৎপা, য়াইফবা ওইহনবা হায়বসি ঈরৈচা ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌদাংনি হায়বসি খঙজিনবগী তঙাইফদবা ওইরে। থেঙ্খাং কয়ারক্তা অৱা মৈশা লাংলিবা ইরমদমগী থৌদোক্তা ঐখোয় চেন্নদবা য়ারক্তে, ৱাদবা ঙমদে। মরম অসিনা ঐখোয় ঈরৈচা পূম্নমক ৱাখল তামিন্নরসি। ইরমদম মণিপুরবু খুভম চেৎনা ঙাকচবা ঙম্নবা অঙম-অঙম্বা ইথৌদাং লৌনরসি।

ঈরৈপাক নীংবগী ইহুল, ঈরৈপাক ঙাকপগী ইথৌদাং ইশা-ইশাগী ইয়ূমদগী হৌরসি। পিক্লবা খোঙথাং মচা মচাশিংনা ঈরৈপাক্কী অচৌবা পাঙ্গল ওইগনি। ইশাগী য়ূমদা পাঙথোকচবা য়াবা খোঙথাং খরদং পনবা তারবদি :-

১) ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা ঐখোয়গী লৌরি-য়ূম্ফম মীতোপ-মীয়ানচাশিংদা য়োম্থোক্লোইসি।

২) ইশাগী অহাঙবা লম, য়ূমগী কা, শঙ্গোয়-লুকোই মীতোপ-মীয়ানচাশিংদা ভারা শান্দোক্লোইসি।

৩) ইশাগী ইয়ূমদা ইপা-ইপুগী মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লবা ইফুরুপকী লাইনীং-লাইশোল চৎনসি, মীরায়বীবা, থৌশাদবা তৌরোইসি।

৪) ইশাগী ইফুরুপকী ফিজেৎ-লৈতেং ইয়ূমদা, ইমুং-মনুংদা থৌদোক-ৱাথোক মীয়াম তিনবা থৌরমদা থৱায় য়াওনা শীজিন্নসি।

৫) চাকচা-য়ুথক, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, চৎন-কাঙলোন ইশাগী ইফুরুপকী ওইবা চৎনবী ঙাক্লবা হোৎনসি।

৬) মীঙ্গৌ থাগৌ, মীকৌ-মীরম মীরমগী মতৌ তম্লোইসি, ইফুরুপকী চৎনবী ঙাকসি।

৭) ইচা-ইশু, হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী মমিং থোনবদা ইফুরুপকী ইরোলগী ওইবা মিং নৎত্রগা ৱাহৈ শীজিন্নসি।

৮) হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা নোংমগী পুংজা খরা কায়থোক্লগা ইরমদমগী ইফুরুপকী ওইবা মৈহৌরোলগী, লাইনীং-লাইশোনগী, ফিজেৎ-চাকচাগী, চৎনবী-নাৎকী ওইবা ৱারীশিং অমদি পুৱারীগী থৌদোকশিং লীবিদুনা তাহনসি।

৯) চীংমী-তম্মীগী থানবা য়াদ্রবা নুংশি ৱারী, শূবা-নোম্বা কনবগী, মীপান তাংদবা, থৌনা লৈবগী ৱারী থৌদোকশিং খঙনবা হোৎনসি, ইচা-ইশু হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা খঙহনসি।

১০) ইশা-ইশাগী ইথৌদাং খঙবগী হৈনবী লৈনসি, অঙাংশিংদা তম্বীসি, ইমুং-মনুংদগী হেন্দোক্তুনা ইরৈকায়-ইরমদমগী থৌদোক্তা শরুক য়ামিন্নসি। লীংজেল মান্নবগী ইহুল তম্লসি।

১১) ইলেক্সন (মীহুৎ খনবা) গী মতম লাকপদা শেল, চাকচা হৈজানবা অমদি মীগী থৌইনশিন্দা চৎলোইসি। অফবা মীরেপ খল্লগা ইশাগী ভোট পীরসি।

১২) ইশাগী ৱাত্তনবা শূ-নোমদুনা হোৎনবগী মথক্তা মীয়ামগী ওইবা য়াইফনবা অমদি তোল্ল-তারবা, অৱা-অনা তারকপা কনাগুম্বশিংদা অঙম্বা খরদং পুথোক্তুনা মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন লৈরসি, থবক্না উৎলসি।

নোংম-নোংমগী হৌখিবনা শিংথানীংঙাই ওইবা মতিং লৈবা ফিরেপ, থৌরম-থৌদা পাঙথোকপা ৱাৎলকপনা, ইশাগী চৈঙাক শেমহৌদবনা ঙসিদি ইরমদম মণিপুর মৈশা লাংলকপনি। মীচম - মীয়াম মরক্তা অমগা অমগা লাওনবা, ফুরুপ মশেল হুন্নবা, মীয়াম্না লৈঙাক্তা তাইনবা, লৈঙাক্না মীয়ামদা তাইনবা তৌদুনা অসুম অসুম হৌজিনখ্রে। কনবা ঙমদবা খোঙফম অমদা তাখিদুনা ইরমদমগী অপূনবা শক্তম মাঙখিবা, অপূনবগী লমখৈ কায়খিবা, পিক্লবা ফুরুপচাশিং অচৌবা ঈপাক্তা মাঙখিবা থোক্লবদি মালেমগী মীয়াম মাংদা ইকায় ফিরুক খুম্লগনি। মীরোল মীরোল খুদিংদা হৌজিক্কী মীরোল ঐখোয়বু কল্লক পেন্না চৈহৌরনি। ইরমদম ইজাতি মাঙখ্রনি। সিদগী হেন্না মাঙজবা করি অমুক লৈখিনি। ঐখোয় ৱাখল তারসি। থৌনা লৈবা তম্লসি। ৱাঙাঙ কামজাও হুল্লোইসি। কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক নুংশিনা তাশিন খোমজিনসি। চীংমী-তম্মী পূনশিনসি। পিক্লবা খোঙথাং লিশীংনা অচৌবা অকনবা পাঙ্গল থৌনা শেম্লসি। লীংজেলবু মান্নরবদি ঙমদবা লৈরোই, নীংশিংলসি। ইয়ূমদগী হৌরগা ইরমদম কন্নবা খোঙথাংশিং থাংনরসি। কংলৈপাক্না য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।